# রসিয়ানা গ্যাস পীবা মপুং ফানা লেপ্পকপা য়াবগী ফিভমগীদমক শেম শানবা আইঈএ চীফনা য়ুরোপতা ৱার্নিং তৌখ্রে



ভিএনা, জুন ২২ (এজেন্সী): চহী অসিগী নিংথম থাদা রসিয়ানা গ্যাস পীবা মপুং ফানা লেপ্পকপা য়াবগী ফিভম লৈবনা মদুগীদমক্তা য়ুরোপনা খুদক্তা শেম শাবা মথৌ তারে হায়না ইন্টরনেসনেল ইনর্জি এজেন্সিনা ৱার্নিং তৌখ্রে অমসুং গভর্নমেন্টশিংনা দিমান্দ হন্থনবগী থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি হায়খ্রে।

আইঈএগী হেদ ফাটি বিরোলনা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা হৌখিবা চয়োলদা রসিয়াগী লৈবাকশিংদা পীরম্বা গ্যাসকী চাং হন্থনবা ৱারেপ লৌখিবদু মোস্কোনা য়ুক্রেনদা শোক্লিবা লানদা অহেনবা খুদোংচাবশিং লৌনবা মীৎয়েং থম্লকপগা লোয়ননা সপ্লাই মখা তানা ককথনবা হোৎনরকপগী মাঙজৌনবা খোঙথাং ওইরম্বা য়াই।

রসিয়ানা গ্যাস পীবা মপুং ফানা লেপ্পকপা য়াবগী ফিভমগীদমক য়ুরোপনা শেম শাগদবনি হায়না বিরোলনা ফাইনান্সিএল টাইমসকী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নিংথম থা নকশিল্লকপগা লোয়ননা রসিয়াগী অনিংবা অপাম্বশিং ঐখোয়না হেন্না খঙলক্কনি। হন্দক লৈবাক অসিনা গ্যাস সপ্লাই ককথবা হৌখিবসি য়ুরোপকী গ্যাস ষ্টোরেজতা গ্যাস পীবা মপুং ফানা লেপ্পবগী মায়কৈদা থাংলকপা খোঙথাং ওইগনি হায়না ঐহাক্না থাজে।

ওইসিদিগী মেম্বরশিংনা ফন্দিং তৌবা আইঈএ অসি মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দানবা শেম শাখিবদা রসিয়াবু য়ুরোপতা গ্যাস পীবদা মেনিপুলেসন তৌই হায়না মরাল শীখিবা অহানবা ওফিসল বোদিশিংগী মনুংদা অহানবা ওইখি।

বিরোলনা হায়খি, মদুদি চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ুরোপকী লৈবাক কয়ানা গ্যাসকী দিমান্দ হন্থহন্নবগীদমক্তা মমাঙৈদগী লৈরক্লবা কয়লা শীজিন্নদুনা চল্লাইবা পৱার ষ্টেসনশিংগী মথৌ হেনগৎহনবা য়াওনা খোঙথাং কয়া লৌখৎখিবদু কার্বোন ইমিসন হেনগৎলক্কনি হায়বগী নুংনাংবা লৈদুনসু ক্রাইসিস অসিনা মরম ওইদুনা মরম চাবা খোঙথাংনি হায়না ঐখোয়না লৌই।

কয়লা মৈ থাদুনা পৱার পুথোকপা হেনগৎনবা হোৎনরিবসি মতম খরগীনি। মসিনা নিংথম থাগী মতমদা মৈশা হেনগৎহনবগা মরী লৈননা গ্যাস শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবদা মতেং ওইগনি।

পোল্লুসনগী চাং য়াম্না ৱাংনা থোকহনবা ঙম্বা মৈ থাদুনা কার্বোন-দাইওক্সাইদ ইমিসন হেনগৎহনবা তারবসু য়ুরোপনা ফোসিল ফ্যুএলশিং মপানদগী পুশিল্লকপদা দিপেন্দ তৌবা হন্থনবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসিনা রিন্যুএবল ইনর্জি পুথোকপগী কেপাসিটিসু হেনগৎহনগনি।

অমরোমদা, আইঈএগী চীফ অসিনা য়ুরোপিয়ন গভর্নমেন্টশিংনা হৌজিক ফাওবদা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অসি রসিয়ানা গ্যাস এক্সপোর্ট মপুং ফানা লেপ্পকপগী ফিভম খন্নরকপা মতমদা মতিক চাদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি নিংথম থাগী মাঙওইননা ষ্টোরেজ থলহন্নবগীদমক হৌজিক গ্যাস সপ্লাইশিং য়ারিমখৈ লীদুনা থম্নবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা লৌখৎকদবনি।

নিংথম থা নকশিল্লকপগা লোয়ননা ইনর্জি দিমান্দসু হেনগৎলক্কনি। মতাং অসিদা রসিয়ানা গ্যাস এক্সপোর্ট মখা তানা ককথরকপা তারবদি ঐখোয়না খন্নবা য়াবা ৱাফম অমদি পোৎশক অসি গভর্নমেন্টনা মীয়ামদা অমদি অতৈ কঞ্জ্যুমরশিংদা চাং তম্না ফঙহনবা অসিনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# অসিয়নগী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা ব্লোক অসিদা হেন্না থাজবা থম্নবা ফিরেপ লৌখ্রে




নোম পেন, জুন ২২ (এজেন্সী): এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিয়ন) গী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা লমদম অসিগী মীয়ামগী কান্ননবগীদমক্তা ব্লোক অসিদা থাজবা হেন্না থম্বগা লোয়ননা য়ুনিটি অমদি রুলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ওর্দর হেন্না চেৎশিলহন্নবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রে।

কম্বোদিয়াগী কেপিটেল নোম পেনদা লৈবাক অসিগী দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর জেনরেল টি বাননা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা ১৬ শুবা অসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টরস মীটিং (এদিএমএম) লোইরবা মতুংদা রিলিজ তৌখিবা দিক্লারেসন অমদা দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা ৱারেপ অসি লৌরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

লমদম অসিগী মীয়ামবু কান্নহন্নবগীদমক্তা ঐখোয়না রুলশিংদা বেজ ওইবা রিজনেল ওর্দর কায়হন্দনা থম্নবা অমদি অসিয়নগী চার্টর অমসুং ট্রিটি ওফ এমিটি এন্দ কো ওপরেসন ইন সাউথ ইষ্ট এসিয়া (টিএসি) দা পল্লিবা ফন্দামেন্টেল প্রিন্সিপলশিং চেৎনা ঙাক্লবা ঐখোয়না ৱারেপ লৌরে হায়না দিক্লারেসন অদুদা পনখি।

দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লমদমদা মরা তপ্পা ফিভম, সেক্যুরিটি মেন্টেইন তৌবগা লোয়ননা শেল থুমগী থবক থৌরমশিং চাওখৎহনবগী পান্দম মপুং ফানা ফঙবা ঙম্নবা মপানগী পার্টনরশিংদা দিফেন্স অমসুং সেক্যুরিটি কো ওপরেসন লোয়ননা অমগা অমগা থাজবা হেনগৎনবগী খোঙথাংশিং মখা তানা লৌখৎপগী ৱাফমসু য়ান্নখি।

লমদম অসিগী মরু ওইবা সেক্যুরিটি আর্কিটেকচর ওইরিবা এদিএমএম অমসুং এদিএমএম-প্লসকী খুত্থাংদা ষ্ট্রেটেজিক দাইলোগ অমসুং প্রেক্তিকেল দিফেন্স কো ওপরেসন হেনগৎহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নবা হায়নসু দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা ৱারেপ লৌখি।

মিনিষ্টরশিংনা অসিয়ননা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা লৌবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা অমনা অমগী এফিয়র্সতা, অমদি সোভরেন্টি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটিদা খুৎ থিংজিন্দবা হায়বা অসিয়নগী প্রিন্সিপলশিংবু ইকায় খুম্নবা হায়নসু ৱারেপ লৌখি।

কুমজা ১৯৬৭ তা লিংখৎখিবা অসিয়নদা য়াওরিবা লৈবাকশিংগী ব্রুনৈ, কম্বোদিয়া, ইন্দোনেসিয়া, লাউস, মালেসিয়া, ম্যান্মার, ফিলিপিন্স, সিঙ্গাপোর, থাইলেন্দ অমসুং ভিএটনামনি।

# সাউথ চাইনাদা ঈশিং ঈচাও মায়োক্নরবা মীওই লিশিং কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে



বৈজিং, জুন ২২ (এজেন্সী): চাইনাগী খা থংবা লমদমদা পাক্তক্লনা ঈশিং ঈচাও থোরকপদগী মীওই লিশিং কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে হায়রি।

মেন্যুফেকচরিং হব গ্বাংদোংগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈমায়শিং ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা লেন্দ স্লাইদ থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগী ক্লাসশিং অমদি ওফিসকী থবক অমসুং পব্লিক ট্রান্সপোর্টকী থবকশিং সস্পেন্দ তৌখ্রে।

য়ুমথংনরিবা জিয়াংজি প্রোভিন্সতা মীওই ৫০০,০০০ য়ুম কৈ অমাঙ অতা থোকপগী অৱাবা মায়োক্নখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা শৈদাংদুনা লৈনরি হায়রি।

গ্বাংদোংগী সাউগুৱান, হেয়ুৱান অমসুং মাইজৌ সিটিশিংদসু মীওই ৫০০,০০০ রোম ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরে। নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা সিটিশিং অদুগী মফম কয়াদা লম্বী থোং তেক কায়খি অমদি য়ুম কৈশিং, কারশিং অমদি মহৈ মরোংশিং শাফু কল্লবা ঈশিংগী ঈচেলদা চেন্থখ্রে।

লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু মখা তানা নোং চুখিগনি হায়না মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা চহী অসিগী অহানবা রেদ এলার্ট ইস্যু তৌখি। রেদ এলার্ট অসি খ্বাইদগী কনবা ৱার্নিংনি। গ্বাংদোংগী অৱাংদা লৈরিবা জেজিয়াং প্রোভিন্সতা নুংশিৎ হান্দুনা শীজিন্নবা হিশিংদা তোংলিবা রেস্ক্যু ক্রুশিংনা ঈশিং থুমজিনখ্রবা ভিলেজ শিংদা লৈরিবা য়ুমশিংদগী থোকপা য়াদ্রবা মীওইশিং হোন্দোকখি।

কেপিটেল বৈজিং য়াওনা নোংপোক থংবা প্রোভিন্স অয়াম্বগী ওইনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎশিং লাক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখি। সেন্ট্রল প্রোভিন্স হেনানগী রিজার্বরশিং ঈচাওগী লেভেলদা লৈখি অমসুং রিজার্বরশিং অদুগী ঈশিং লেপ্তুনা মখাদা চেন্থখি।

চাইনাদা কালেন থাগী মতমদা চাং নাইনা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা লাক্লি। ঈচাও অয়াম্বা নোং কন্না চুগনবা ময়াই থংবা অমসুং খা থংবা মফমশিংদা তোইনা থোক্লি। চহী অসিদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অসি মফম খরগী ওইনদি চহী কয়ামুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবনি হায়না লৌনরিবনি।

অমরোমদা, ঈশিং ঈচাও অসি কোভিদ ১৯ গা মরী লৈননা অথিংবা কয়া থন্লিঙৈ মরক্তা থোক্লক্লিবনি। হৌখিবা চহী খরগী মতমদা চাইনাদা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা ঈশিং ঈচাও অদু মীওই লিশিং অনী হেন্না শীহনখিবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা তুরেল ওইরিবা য়াংজে পরিংদা কুমজা ১৯৯৮ দা থোকখিবা ঈশিং ঈচাও অদুনি হায়না লৌনরি।

ঈশিং ঈচাও অদুদা য়ুম মিলিয়ন অহুম অমাঙ অতা থোকখিবনি। গভর্নমেন্টনা য়াংজেগী চাওরবা থ্রি গোর্জেস দামগুম্বা ফ্লদ কন্ট্রোল হাইদ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্টশিংদা শেল চাওনা থাদখ্রবনি।

মালেমগী ওইনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইদুনা অকনবা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎশিংপগী চাং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা মী শিহনবা, মহৈ মরোং মাঙহনবনচিংবসু হেনগৎলক্লিবনি।

# ইনর্জি লিক্না শীজিন্ননবা পাকিস্তানগী পঞ্জাব গভর্নমেন্টনা নোংমাইজিং খুদিংগী লোক দাউন থম্লগনি



লাহোর, জুন ২২ (এজেন্সী): পাকিস্তানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সিএল গভর্নমেন্টনা ইনর্জি লিক্না শীজিন্ননবা অমসুং পৱার সপ্লাই লেপ্পগী চাং হন্থহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমদা গভর্নমেন্ট অসিনা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল লাহোরদা নোংমাইজিং খুদিংগী মপুং ফানা লোকদাউন থমদুনা মখল খুদিংমক্কী বিজিনেস এক্তিভিটিশিং লেপহন্নবা ৱারেপ লৌখি।

ৱারেপ অসি ইনর্জি লিক্না শীজিন্নবা ঙম্নবা অখন্নবা পোলিসিশিং অমসুং খোঙথাং কয়া খন্নরবা মতুংদা লৌখৎখিবনি। খোঙথাংশিং অদুগী মনুংদা মার্কেটকী মতম নুমিদাং পুং ১০দা লোইশিনবা, চয়োলগী থবক তৌবা য়াবা নুমিৎ মশিং মঙাদা লেপ্পা য়াওরি।

থবক তৌবা নুমিৎ মঙা অদুগী মনুংদা ইরাই নুমিৎতি য়ুমদা লৈরগা থবক শুগদবা নুমিৎনি। হৌজিক গভর্নমেন্টনা খন্নরক্লিবা অখন্নবা পোলিসিশিং অমসুং খোঙথাংশিং অদুগী মতুং ইন্না লাহোরদা ইম্মর্জেন্সি অমসুং ইসেন্সিএল সার্ভিসশিং নত্তনা বিজিনেস এক্তিভিটি পুম্নমক্তা লোক দাউন চৎনরগনি।

দিপ্যুটি কম্মিস্নার লাহোর ওমের সের চাথানা ইস্যু তৌবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না নোংমাইজিং নুমিৎতা কমর্সিএল মার্কেটশিং, প্লাজাশিং, হোলসেল, রিটেল য়াওনা দুকান পুম্নমক অমদি সোপ্পিং মোলশিং, বেক্করিশিং, কনফেকস্নরিশিং, ওফিসশিং, ষ্টোর রুমশিং, গোদাউনশিং, ৱায়র হাউসনচিংবা পুম্নমক থোঙ লোনগনি।

অদুম ওইনমক বিজিনেস কম্মিটিনদি গভর্নমেন্টগী ৱারেপ অসিদা নুংনাংবা উৎখি অমসুং অসিগুম্বা খোঙথাংশিংনা পুলিস অমসুং দুকান ফম্লিবশিংগী মরক্তা শেঞ্জা থুমজাগী থবক থৌওংশিং হেনগৎহনগনি হায়না ফোঙদোকখি। কম্ম্যুনিটি অসিগী মীওই খরনা ফোঙদোরকখিবদা গভর্নমেন্টগী ৱারেপ অসি চৎনরকপদগী দুকান ফম্বা মীওই কয়ানা পুলিসতা শেল পীদুনা মখোয়গী দুকানশিং অদু হাংদোকপা য়ানবা হোৎনরকপা য়াই।

ওল পাকিস্তান অঞ্জুমান টাজিরানগী জেনরেল সেক্রেটরি অব্দুল রাজদনা হায়খিবদা নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী দুকানশিং অমসুং বিজিনেস ইষ্টাব্লিসমেন্টশিং থোঙ লোলহনবদা ঐখোয়না য়ানিংদবা লৈতে। অদুম ওইনমক অসিগুম্বা অথিংবশিংনা করপসন হেনগৎহনগনি।

পুলিস ওফিসলশিংনা ট্রেদরশিং অমদি দুকান ফম্বশিংদগী শেল চারক্কনি অমসুং কোভিদ ১৯ লোক দাউন মনুংদা তৌখিবগুম্না মখোয়গী বিজিনেসশিং হাংবা য়াহনগনি।

# মুস্লিম মহৈরোয় অমগী মায়খুম লৌথোক্নবা হায়রুবা পেরিসকী ওজা অমা হাৎকনি হায়না কিহনখ্রে



পেরিস, জুন ২২ (এজেন্সী): ফ্রেন্স লোগী মতুং ইন্না পেরিসকী হায় স্কুল অমদা তম্লিবা মুস্লিম মহৈরোয় নুপী মচা অমগী মায়খুম লৌথোক্নবা খঙহনখিবা ওজা অমা হাৎকনি হায়না কিহল্লক্লে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট খরনা হায়রি।

ফ্রেন্স লোগী মতুং ইন্না পেরিসকী হায় স্কুল অমদা তম্লিবা মহৈরোয় অমা একজামদা ফমজিল্লগা মমায়দা উপ্লিবা মায়খুমনচিংবা পোৎশকশিং লৌথোক্কদবনি। হায়স্কুলগী মহৈরোয় অদুগা য়েৎনখিবা মতুংদা ওজা অদুবু সোসল মেদিয়াগী খুত্থাংদা চৈথাংনরকখি।

পেরিস প্রোজিক্যুটরগী ওফিসনা ফোঙদোরকখিবদা ওজা অদুদা হাৎকনি হায়না কিহল্লকখিবশিংগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথুরি।

কুমজা ২০০৪ দা ফ্রান্সনা স্কুলশিংদা নিকাপ হায়না খঙনবা মুস্লিম নুপীশিংনা শীজিন্নবা মায়খুম য়াওনা লাইনিং লাইশোলগী ওইবা সিম্বোলশিং শীজিন্নবদা অথিংবা থমখ্রবনি। পেরিসকী হায়স্কুল অমগী মহৈরোয় নুপী অদু ষ্টাফনা একজামগী মাঙওইননা আইদেন্টিটি চেক তৌবদা খুদোংচানবগীদমক চার্লিমেন হায়স্কুলগী একজাম রুমদা চঙদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্কী মায়খুম লৌথোক্নবা খঙহনখিবনি।

অমরোমদা, নুপীমচা অদুনা মহাক্কী মায়খুম অদু লৌথোক্লোই হায়রদুনা স্কুল ওথোরিটিশিংগা য়েৎনখি। তৌইগুম্বসুং একজাম রুমদা চঙদ্রিঙৈ ওজা অদুগা কন্না ঙাঙনা শক্নরবা মতুংদা মহৈরোয় অদুনা মহাক্কী হেদ স্কাফ লৌথোকখি হায়রি।

ইন্টরভিয়ু অমদা মহৈরোয় অসিনা হায়খি, মদুদি ঐহাক্না মখা তানা মুক্নবগী ফিভম লাকহন্দনবগীদমক্তা মায়খুম লৌথোকখি।

ওজা অদুনা মহাক্কী মায়খুম লৌথোক্নবা হায়রকপদা কা হেনবা থৌওংশিং চথরকখি হায়না নুপীমচা অসিনা ক্লেম তৌখি। ওজা অমসুং মহৈরোয় অনীগী মুক্নবা অদু মহৈরোয় অদুগা তিন্নবশিংনা ত্বিটরদা থাগৎলকখিবনি।

ত্বিটর য়ুজর অদুনা ওজা অদুবু মুস্লিমশিংগী লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা চৎন কাঙলোনশিং ইকায় খুম্নদে হায়না মরাল শীখি। মদুগী মতুং মতম শাংনা কান্নদনা ওজা অদু সোসল মেদিয়াগী খুত্থাংদা হাৎকনি হায়না মীওই কয়ানা কিহল্লকখি।

## ইজরেল্লি সেট্টলরনা পেলেষ্টিনিয়ন অমা হাৎখ্রে

রমালা, জুন ২২ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাং থংবা সিটি সালফিটকা নক্নবা মফম অমদা ইজরেল্লি সেট্টলর অমনা থাংনা থিনবদগী পেলেষ্টিনিয়ন নহা অমা শিরে হায়না পেলেষ্টিনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা ফোঙদোরক্লি।

ইস্লামিক রেসিষ্টেন্ট মুভমেন্ট (হামাস) ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, সিটি অদুগী মফম অদুদা থোমজিল্লকখিবা ইজরেল্লি সেট্টলরশিংগা মুক্নরকপদা ইজরেল্লি অদুনা হাসন হার্বকী হার্টতা থাংনা থিনখিবনি। ইজরেল্লি পুলিসকী ৱেষ্ট বেঙ্ক দিভিজন্না থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা ইজরেল্লি অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা খৎন চৈনবা অমা থোকখিবা মতুংদা দিভিজন অসিনা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথুখি। পেলেষ্টিনিয়ন নুপা অমা থাংনা থিনখি হায়বসি পুলিসনা কনফার্ম তৌখি।

# য়েমেনদা সেক্যুরিটি পোষ্টতা এটেক্ট তৌখ্রে, মীওই নিপান শিখ্রে




সানা, জুন ২২ (এজেন্সী): অল-কাইদা মিলিটেন্টশিংনি হায়না চিংনবা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওই কাঙবু অমনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা য়েমেনগী খা থংবা প্রোভিন্স অমগী সেক্যুরিটি পোষ্ট অমদা এটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্নবদা ট্রুপ মঙা অমসুং মিলিটেন্ট অহুম শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অয়ুক অঙনবদা সেক্যুরিটি পোষ্ট অমদা এটেক্ট তৌখিবগী থৌদোক অদু চীংগী লমদম ওইরিবা সবৱাগী প্রোভিন্সকী কেপিটেল অটক্তা থোকখিবনি। মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না এটেক্ট অদুদা য়ামদ্রবদা অতৈ ট্রুপ মরিসু অশোক অপন নঙখি।

ওফিসলশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা তোখায়না তানবা লাল হৌরিবা সাউর্দন ট্রান্সিস্নেল কাউন্সিলবু শৌগৎপা ট্রুপশিংনা ঙাক শেল্লিবা পোষ্ট অদুদা টার্গেট তৌদুনা চথুখিবা এটেক্ট অদু গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। সেপরেটিষ্ট কাউন্সিল অসি য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটনা শৌগৎলিবনি অমসুং কাউন্সিল অসিনা য়েমেনগী খা থংবা লমদম অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরি। কাউন্সিল অসি মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্টগা তাথিনৈ।

ওফিসলশিং অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি ওইল ফিল্ডশিং তাবা য়াবা অমদি সাউদি বোর্দরদা চঙশিনবা য়াবা ষ্ট্রেটেজিক সিটি অদুদা রি ইনফোর্সমেন্টশিং থাখ্রে। অল-কাইদা মিলিটেন্টশিং এরিয়া অদুদা ওপরেট তৌদুনা এটেক্ট অদু গ্রুপ অসিগী খুৎনি হায়বগী চিঙনবা লৈ হায়নসু ওফিসলশিং অসিনা ফোঙদোকখি। অল-কাইদা ইন ড অরাবিয়ন পেনিন্সুলা নত্ত্রগা এক্যুএপি অসি মতম শাংনা গ্লোবেল নেটৱার্ক অসিগী খ্বাইদগী শাথিবা ব্রাঞ্জনি হায়না লৌনদুনা লাক্লি। গ্রুপ অসিনা য়ুএস মেনলেন্দদা শাথিরবা এটেক্ট কয়া চথুনবা হোৎনবা লৈখি হায়রি।

# খালিষ্টানি প্রোপেগন্দাগা মরী লৈননা খলসা টিভিনা ব্রোদকাষ্ট লাইসেন্স সরেন্দর তৌখ্রে




লন্দন, জুন ২২ (এজেন্সী): খালিষ্টানি প্রোপেগন্দা শন্দোক্তুনা খলসা টিভি চেন্নেলনা ব্রোদকাষ্টিং রুলশিং খোঙ্গাওনখি হায়বসি য়ুকেগী মেদিয়া ৱাটচদোকনা খঙলকখিবগা লোয়ননা খলসা টেলিভিজন লিমিটেদনা মসিগী লৈবাক অসিদা ব্রোদকাষ্ট তৌবা য়াবগী লাইসেন্স সরেন্দর তৌখ্রে।

ওফিস ওফ কম্ম্যুনিকেসন্স (ওফকোম) না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখিবদা মে ২৬ তা ওফকোমগী দ্রাফট রিভোকেসন নোটিস ফঙখিবগা লোয়ননা খলসা টেলিভিজন লিমিটেদনা হৌজিক মসিগী লাইসেন্স সরেন্দর তৌরে।

ব্রোদকাষ্টিং কোদ খোঙ্গাওনবগীদমক্তা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ৩০ দা কেটিভিদা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা প্রাইম টাইম প্রোগ্রাম অমগা মরী লৈননা কম্পেনি অসিদা সস্পেন্সন নোটিস পীখ্রবা মতুংদা রিভোকেসন নোটিস অসি ইস্যু তৌখিবনি।

প্রোগ্রাম অদুদা ক্রাইম থোকহনগদবা মওংদা মীওই কাঙবু খরবু পুক্নিং থৌগৎপা য়াবা মচাক মথুম কয়া য়াওই হায়না মরাল শীখিবনি। কম্ম্যুনিকেসন রিগুলেটর অসিনা ফোঙদোরকখিবদা মিনিট ৯৫ গী লাইভ দিস্কসন প্রোগ্রাম অদুদা ভাইওলেন্স থোক্নবা পুক্নিং থৌগৎকদবা মেটরিএল য়াওখি।

কুমজা ২০২২ গী মে ১৩ দা ওফকোমনা খলসা টেলিভিজন লিমিটেদকী ব্রোদকাষ্টিং লাইসেন্স রিভোক তৌনবগী দ্রাফট নোটিস অমা ইস্যু তৌখি। টেলিভিজন নেটৱার্ক অসিগী চেন্নেল কেটিভিগী ব্রোদকাষ্ট মেটরিএলদা ভাইওলেন্স থোকহনগদবা মচাক মথুম য়াওই হায়রদুনা ওফকোমনা চেন্নেল অদু মমাঙদা সস্পেন্দ তৌখি হায়না ওফকোমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

লাইসেন্স কি অসিনা ঐখোয়গী রুলশিং খোঙ্গাওনদুনা ক্রাইম কয়া থোরকপা য়াবা প্রোগ্রাম শন্দোক্লম্বা থেংনরিবসি চহী মরিগী মনুংদা মসিনা অহুল্লকশুবনি।

কেটিভি টেলিভিজন চেন্নেলনা য়ুনাইটেদ কিংদমগী সিখ কম্ম্যুনিটি শাফ তৌই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

ব্রোদকাষ্টিং রুলশিং খোঙ্গাও-নবদগী ওফকোমনা খলসা টেলিভিজন লিমিটেদকী লাইসেন্স মার্চ ৩১ দা সস্পেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা কেটিভিগী থবকশিং লেপ্পকখিবনি। ইনভেষ্টিগেসনদা প্রাইম টাইম শো অদুগী প্রজেন্টরনা মী হাৎপা য়াওনা শাথিরবা ভাইওলেন্স থোকহনগদবা ৱাফম কয়া পনখি হায়বসি খঙলকখি।

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR, SYLHET, & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KYRGYZSTAN, RUSSIA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY
1st PAYMENT 5 LAKH TOTAL PACKAGE 20L
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY
B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI
BAMS (AYURVEDIC) BHMS (HOMEOPATHIC) (FULL PACKAGE STARTS FROM 6 LACS)
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Govindajee Temple, Imphal East
7005683347 9856167106
THOUBAL BRANCH ADDRESS :
Thoubal Wangmataba Sorok Makha Near Manisang Primary School 9089049622
HL-B/7695/19/6-16/8 Alt